**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 10-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য সরকারগী ৱার ওন ড্রগস কেম্পেনগী মনুং চন্না উখ্রুল অমদি সেনাপতি জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থারম্বা পোপি পান্থীশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- হৌরক্লিবা মীরোলগীদমক সরকার অসিনা চপ চানা লেপ্তুনা অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি।

অমসুং

৩) ইন্দিয়ান পুলিস ফোর্সেসপু স্মার্ট ফোর্সেস ওইহন্নবা হোৎনরি হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখ্রে।

------

পোপি (এল)ঃ রাজ্য সরকারগী ৱার ওন ড্রগস কেম্পেনগী মনুং চন্না উখ্রুল অমদি সেনাপতি জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থারম্বা পোপি পান্থীশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- উখ্রুল জিলাগী লুংচোং মাইফৈ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ফলি হিল রেঞ্জগী একর ৯০ রোম পাকপা মফমদা থারম্বা পোপি পান্থীশিং মণিপুর পুলিস, ৬ শুবা মণিপুর রাইফলস, ১৮ শুবা অসাম রাইফলস অমদি ফোরেষ্ট বিভাগকী কাংবুগা খুৎশমদুনা য়াম্থৎতুনা

মাংহনখিবনি। মদুগীদমক মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুবু থাগৎপা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা এফ.আই.আর অমা লৌখৎলে হায়রি।

সেনাপতি জিলাগী ওইনা খাবুং হিল রেঞ্জগী একর ১৯ লোম পাক চাউবা মফমদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং মণিপুর পুলিসনা ফোরেষ্ট বিভাগ অমদি একজিক্যুতিভ মেজিষ্ট্রেটকা লোয়ননা য়াম্থৎখি। নেসনেল হাইৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীগী এ.এস.পিগী মীৎয়েং মখাদা সেনাপতি জিলাগী হেনবুং, তদুবী, মাও অমসুং মরামদা লৈরিবা পুলিস য়ুনিতশিংনা পোপি পাম্বীশিং অদু য়াম্থৎখিবনি। খাবুং খুলগা নকা লৈবা মীনা কয়া খঙনদ্রিবা মফমশিং খঙদোক বগীদমক পুলিসকী কাংবু অদুনা দ্রোন শিজিন্নখি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদসু এফ.আই.আর অমা লৌখৎখ্রে।

পার্ক (এল)ঃ রাজ্যগী ইরাংনা মরম ওইরগা মোরেদগী লাঞ্জেন্নরক্কুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অঙাংশিংবু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা থেঙ্গু চীংজিনদা লৈবা ৱাটর এম্যুসমেন্ট পার্কতা পুবীবগীদমক মৈতৈ কাউন্সিল মোরেগী মাইকৈদগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি। অসিগুম্বা থৌরাং অসিনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অঙাংশিং পুকিং ৱাখল নুংঙাইহনবদা চাউনা মতেং ওইরি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- অঙাংশিংনা ৱাটর এম্যুসমেন্ট পার্কতা হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা শান্নবা উবদা ৱাখলদা নুংঙাইবা পোকই। হৌরক্লিবা মীরোল অসিগীদমক সরকার অসিনা চপ চানা লেপ্তুনা অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোরক্লি। মহাকা হায়- রাজ্য অসি হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা তুংগী লম্বী শেম্বদা অয়েৎ অপন য়াওদবা লমদম অমা ওইহনগনি। মসিগীদমক সরকার অসিনা চেৎনা লেপ্লি।

পুলিস (এল)ঃ  রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা থিবা হুম্বগী থবক অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্তুনা চখ্বরি।

পুলিসকী পাউনা হায়- পুন্না মফম ১০০ হেনবদা চ্যেক পোইন্টশিং হাংদোক্কুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক লেপ্তুনা চখ্বরি।

অমরোমদা, নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অমসুং নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা মাল পুবা গাড়িশিং য়াওনা লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অশোই অঙাম থোক্তনবা হোৎনরি।

ডে (এল)ঃ  মহারাজ গম্ভীর সিংহ লৈখিদবগী ১৯১ শুবা কুমওন থৌরম ঙরাং থৌবাল জিলাগী লিলোংদসু পাঙথোকখি। য়ুনাইতেদ মীতৈ পাঙল কমিতি (য়ু.এম.পি.সি) মণিপুরনা শিন্দুনা থৌরম অসি লিলোং তুরেল অহনবী ডাম মনাক্তা লৈবা কমিতি অসিগী হেদক্বাটরদা পাঙথোকখি।

সাহ ঃইন্দিয়ান পুলিস ফোর্সেসপু স্মার্ট ফোর্সেস ওইহন্নবা হোৎনরি হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখ্রে।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা ব্যুরো ওফ পুলিস রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট (বি.পি.আর এন্দ দি)গী মীফমদা ৱাফম অসি শ্রী অমিত সাহনা ফোংদোকখিবনি। থৌরাং অসিনা লৈবাক মনুংগী ওইবা শান্তি রক্সা ঙাকপদা পুলিসনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহনগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু শ্রী অমিত সাহনা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- ব্যুরো ওফ পুলিস রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্টনা পুলিসনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি করি করিনো হায়বদু কুপা থিগৎতুনা মদুবু মায়োকনবা থৌরাং পুথোকপা তঙাইফদে। মীফম অদুদা বি.পি.আর এন্দ দিগী তোঙান তোঙানবা দিভিজন ৬ না পায়খৎলিবা অমদি মখা তানা পায়খৎক্লদবা থৌরাংশিংগী মতাংদসু গৃহ মন্ত্রিনা কুপা য়েংশিনখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মালেমদা থেংনরিবা সমস্যশিং কোকহন্নবা লৈবাক খুদিংমকা ভারত্তা মীৎয়েং থমরক্লি।

ৱাফম অসি দিল্লিদা পাঙথোকখিবা জেনোমিক্স দেটা কনক্লেভ হৌদোকপগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থাদোরকপা ভিদিও মেসেজ অমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- জেনোম ইন্দিয়া প্রোজেক্ট অসিনা ভারতনা বাইওটেকোলোজিগী লমদা মশক নাইবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি। ২১ শুবা চহি চাদা লৈবাক অসিবু বাইও ইকোনোমি ওইহন্নবা হোৎনবদা বাইও টেকোলোজি অমদি বাইও মাস অনি অসি অচৌবা থৌদাং লৈ। হৌখিবা চহি তরা অসিদা বাইও ইকোনোমিদা অচৌবা অহোংবা লাক্লি। মমাংদা বাইও ইকোনোমি বিল্লিয়ন ১০ খক ওইরম্বা অদু হৌজিক্তি বিল্লিয়ন ১৫০ য়ৌরে হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

শ্রী মোদিনা হায়- জেনোম ইন্দিয়া দেটা ফোংখিবা অসি লৈবাক অসিগী রিছার্স অমদি হকশেলগী লমদা পুৰারী ওইদুনা লৈহৌরগদবা খোঙথাং অমনি। ভারত মচা লিশিং ১০ গী জেনোম সিক্বেন্স এনালাইষ্ট তৌখ্রে। মসিগী দেটাসু ইন্দিয়ান বাইওলোজিকেল দেটা সেন্তরদা ফংহল্লি। মসিগী দেটা অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা রিছার্সর, সাইন্তিষ্ট অমদি স্কোলরশিংদা কান্নবা পীগনি।

বিজেপি ঃ বি.জেপিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দানা ঙরাং দল অসিগী দিল্লি মীখলগী মেনেজমেন্ট কমিতিগী মীফম পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা দিল্লি বিধান সভা মীখলগী মতাংদা খন্নখ্রে। মীফম অদুদা দল অসিগী মীখলগী পোরম কয়াগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

মীফম অদুদা দিল্লি বি.জে.পিগী মকোক বিরেন্দ্র সচদেব, দলগী ইনচার্জ বাইজয়েন্ট জোয় পান্দা অমদি অতৈ মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

অন্ধ্র ঃ অন্ধ্র প্রদেশকী তিরুপতিদা মীয়াম নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী নকবা মরী মতাদা লুপা লাখ ২৫-২৫ ক্ষেতিপুর ওইনা পীরগনি হায়না রাজ্য সরকারনা লাউথোকখ্রে। রাজ্য অদুগী মন্ত্রিশিংনা ঙরাং তিরুপতিদা

লৈবা হোস্পিতালদা চত্তুনা থৌদোক্তুদা অশোক অপন নংবদগী লায়েংদুনা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নখি অমদি মখোয়বু লেমা লায়েংগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

মরক অসিদা, তিরুমালা, তিরুপতি, দেবস্থানমনা হায়রি- ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদবা বৈকুন্থা দ্বার দর্সনগী নুমিৎ হুমিগী তোকন পীবগী থবক পুমলোই লোইশিল্লে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মণিপুর কনখিবশিংবু ইকায় খুমবা উৎখ্রে হায়বা বেন্নর হেদলাইনগী মখাদা অৰাগী খুত্তগী মণিপুর লৌশিনখিবশিংবু ইকায় খুমখ্রে হায়না সব-হেদলাইন পীরি।

পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, পিপলস ক্রোনিকল, পোকফম, মণিপুর নিউজ, নহারোলগী থৌদাং অমসুং ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। ঈচেল এক্সপ্রেসতনা বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

ক্রোর ৪০ চংনা শেমগদবা গম্ভির সিংহ ম্যজিময়গী উরেপ উয়ুং তমখ্রে, ঐখোয়না য়েকবা অমদি মরুপ মশক খঙনা চৎত্রবদি মণিপুর কনবা ঙমলোই হায়বা সি.এমগী ৰাফমনা সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইনদা ইন্দো-ম্যান্মার গেট হাংলগনি, ম্যান্মারি মচা ৬০ দা পাস পীখ্রে, লৈঙাকা চপ চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়না মুখ্য মন্ত্রি বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৰাফম ফোংবা থেংনরে।

পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদসু অনিসুবা হেদলাইন পীরি। হেদলাইন অদুদি- চহি মঙারোম থিংজিল্লুরবা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈগী গেটশিং মোরেরোমদা লৈবা গেট নম্বর ৰান অমসুং টু হাংখ্রে, ম্যান্মাররোগীদি গেট

অমত্তা হাংদোক্ত্রি হায়বা হেদলাইন অসিনি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ গানফিউ মেলদসু ফোংবা থেংনরে।

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন অসি আর্মি কেম্প মনুংদগী মাংখিবা কমল বাবুগী মতাংদনি। হেদলাইন অদুদি- ইনক্বারি কমিতিনা রিপোর্ট পীখৎলক্লবসু মরী মখোঙ খঙলক্তবা নুমিৎ ৪৬ নি শুজিল্লক্লে হায়বা হেদলাইন অসিনি।

য়ু.পি.এফ মণিপুর নেসনেল রিকন্সোলিদেসন ডে পাঙথোকখ্রে। লৈঙাকা ওন্ন-তৈনা ঙাংদুনা লৈবগী মহুৎতা থম্মোয় শেংনা থবক তৌবীয়ু, সি.এস.ও অমা ওইনা অঙম্বা মতেং পাংজগে হায়বা হেদলাইন অসি পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইননি।

লিয়াংমাই নুপী অমদা চত্থরকখিবা থৌওং য়োংনা লৌপু তাল্লকপগী থৌওংনি হায়না কোকোমিগী মাইকৈদগী থল্লকপা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংদা অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমস অমসুং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস য়াওনা অতোপ্পা পাউচেশিংদসু মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরে।

------